নম্বাশিংগী অখন্নবা কাখল : - নম্বা ফাল

*ঐগী তেল্লবা পুন্সি অসিদা মমল য়াম্লবা মতম অরেম্বদা মাঙহনখ্রে।*

*- সুভাশচন্দ্র বোস*

# লাই-ৱাগী চৈশু

ঐগী টেলিফোনগী নম্বর ইশিনবা ডাইরি মচাদু কদাইদা লৈখ্রবগে হায়দুনা কোইথি থি, মতম কুইনা ঈ-পাউ ফাওনখিদ্রবা মরুপশিংগা পাও-ঈ ফাওননিংঙক্তুনা। লৈফমদি থোকপনি য়ূমসি ইথন্তনি লৈরিবা; অহল ওইশিল্লকপগী পেং-চোইদুনা পোত্থাফম খংদবা হায়দু ওইরমাল্লে খন্না-খন্না টেবল মথক্তা পৈরিবা লাইরিক ময়ামদু ওৎলি। উপু মনুংদা য়াল্লিবা ফুরিৎ-খোঙগ্রাওশিংগী ফুরিৎখাওদু হুম-হুমদুনা থি, অনোক অথাবদু শেম-শেমদুনা, মমিৎতু শক্তোক-শুক্তোক্তুনা থবক্তগী পোত্থারবা পেন্সিনর মধুসুদননা। মমান্নবশিংগা ফোন্দা অৱা-নুংঙাইগী ৱারী ৱাতাই ঙৈহাক শাজরগা মতম লেনবা নত্তনা উপাই লৈতে। অদুবু মাগী করিসু ৱাত্তে য়ূম-কৈ, পৈশা-নুংশা। পেন্সিনগী শেনফমসু চাওনা অদুমক ফংই। শীজিন্নফম্বু লৈতে। মচানুপা কানাদাদা লৈবদুনা ৱাৎলিবমখৈ থারক্কনি, নুংঙাই থোকউ বাবা হায়দুনতা লৈ। নুংতিগী অহিংদা ভিদিও কোল্লিং তৌরকই, মপা-মচা, মমৌ, চহী ৫ রোম শরুবা মশু নুপাদুগা শক্কা-শক্কা উনদুনা ৱারী শাই। করিগুম্বদা নেট ৱার্ক য়াদদুনা ৱারী শান্নবা ফংদবা নুমীৎতা মধুসুদন তৌফম লাকফম খংদে। মথংগী অহীং ঙাইবদা খমথেংনা অৱাবা ওইজে। মচা-মমৌ, মশুগা ৱারী ঙৈহাক শাজবা, নোক-খেজবা, মমান্নবশিংগা ৱারী-ৱাতাই ঙৈহাক-ঙৈহাক শান্নজবসিনা মাগী অমত্তা ঙায়রবা সংসারনি।

নুমীদাং ৱাইরমদা সহিদ মিনার মখোংদা করি-করিগুম্বা নুমীৎতনা কংলা মনুংদা মশুং মমান্নবশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাই। মচানুপানা থারকপা শেমদোক-শেমজিন য়াবা, মুকথোক-মুকশিনসু য়াবা ৱাকিং ষ্টিক্তু উবদা মমান্নবশিংদুনা য়াম্না ফজে, য়াংসু য়াংঙী নুংঙাইনি-নুংঙাইনি হায়নৈ। অদুবু মচানা নুংশিনা থারকপদুদা নোংফাদোক শীজিন্নবগী ৱানী, মাদি মতম অমদা মানা পাখং ওইরিঙৈদা ইপা-ইবুংঙো লাইনিথৌ কৌব্রু, ইমা ইবেম্মা কৌনু খুরুম্বা চৎপদা মণিপুরগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীং, মিটর ২,৫৬২ ৱাংবা, কৌব্রু চীংদোন্দগী য়াল্লকপা ৱারুনা মখোক পানবা লাই-ৱাগী খুনাং চারবা চৈশুদুনা হেন্না নুংঙাইজে।


নোংমগী থৌদোক্তি, নুমীদাং ৱাইরমগী মল্লি-মল্লিবা য়াচংবা মতমদা মধুসুদননা ৱাকিং হল্লকপদা তুংলোমদগী কার অমনা থেংবোই-লাকপোই তৌবদা উপ্রাং উপ্না তুশিন্দুনা মায়, খুৎ ওইদা খরা শোক্লে, হুবাৎপদগী ঈসু খরা থোক্লে। গাড়িনা তকপা মক্তি নত্তে, অদুবু লাই ৱাগী চৈশুদুদি তেক্লে। ড্রাইভরদুনা কুমথরক্লগা ইপা-পাখৎনা খুরা ! শোকপ্রা? কয়ামথিনা শোক্লে। হোস্পিটালদা চৎসি। চৈনা খাংলিবা মদুসুদননা শুগৎলগা, য়ানিদা-য়ানিদা ইবুংঙো। থোইদোক্না শোকপা মানদে। মখা শমথৈ, নখোয় নহানা থৌবা গাড়িসি হন্না তুনা য়েংদে, খরা য়েংদুনা থৌরদি ফদৌবা। গাড়িদুদা তোংলকপী নুপী অমা কুমথরক্লগা, য়াদে, য়াদে ঈ থোকইসিদি। হোস্পিটালদা চৎলগা দোক্তরদা য়েংথোকপনা চুমগনি। হোস্পিটালদা চৎনবা তৌসি। মধুসুদননা, য়ারনিদা-য়ারনিদা, হোস্পিটালদা চৎত্রসু য়াম্না থিনা শোকপসু নত্তে। নুপীদুনদি হোস্পিটালদা চৎনবা কন্না তকশিল্লকপদুদা হন্না য়েংখৎলুবদুদা ষ্ট্রিট লাইটকি মমলি-মমলিবা মঙালদুদা নুপীদুগী মতম অমদা ফজখিবগী মমিদুদি মাংদ্রিবা খুঁইরবা মায়থোংদু উবদা মধুসুদনদু অনাবা পুম্বা কাউখি।

দোক্তর, টিটানস টোকছোইডসু কাপ্লে, দ্রেসিংসু তৌরবনিনা, কৈসু তৌররোইদা। কার মনুংদা, ইতৈ! করম-করম পাল্লি? চেচে, রোমা লৈখিদবদু য়াম্না কুইরকান্দা তাখি, নুংঙাইতে চহী নৌনা ইচেদু লৈখিদবসি। মধুসুদন, ৱাই হায়হৈদে হায়নৈ, নুংঙাইরি হায়তাই। নঙদি কমদৌরি? মরুপ বিনোদতুদি মশা নাঞ্জবনিনা নহা অদুম ওইরমগদবা মাল্লি। রাধামানবী, ঐবু নুংঙাইরমগদবা মানব্রনে? মাগী ৱা পল্লক্কনু। মধুসুদন, করিনোনে হায়রিসিবু! ইঞ্জিনিয়ার সাহেবসু ঐদৌনা রিটায়র তৌরবনিনা অঙাং ওল্লক্তুনা শেন্নবা য়াম্না ৱারা জাৎলা, নঙবু? রাধামানবী, কুইরে, মাগা ঐগা খাইনবা। জিরিদা পোষ্টিং তাখিবদুদগী জিরি নুপী অমা লৌদুনা জিরিদা পর্মিনেন্ট ওইনা অদুম পোষ্টিং তাখ্রে। ইচাসু পোক্তবনিনা ইথন্তনি য়ূমদুদা লৈরিবা। মধুসুদন, য়াম্না নুংঙাইতে নঙগী ৱারীসে তাবদা। চহী য়াল্লেকো ঐখোয় থেংনখিদবা। নোংমখক্তি কলকাতা এয়রপোর্টকী গেট নম্বর ১২দা ইচাগী মনাক বেঙ্গলুরুদ্দা চৎকদবগী রোমাবতি ইবানি কনেক্টিং ফ্লাইট ঙাইরিঙৈদা নঙগা ইঞ্জিনিয়র সাহেবকসু গেট নম্বর ১৩দা দেল্লি চৎকদবগী ফ্লাইট ঙাইবদু ঐখোয় মরিমক শকখঙনদবা, অমুক্তা উনখিদ্রিবা মীশক্কুম হন্না ফাও য়েংনখিদে। অদুবু নুমীৎতু ঐনদি অমুক্তং ওইরবসু ননাক্তা চঙশিন্দুনা রাধামানবী নঙবু করমদৌরি হংনিংখিবনি অদুবু ৱাহৈদুনা বিনোদ-নবানিগী মরক্তা শিংচেপ থাবা ওইনা থোক্লগদ্রা খনখিবদগী হংখিদবনি। নুমীৎতু বেঙ্গলুরুগী ঐখোয়না লৈরুবা হোটেলগী কাদুদা রোমাদো অহীংচুপ্পা কপখি, ঐসু মাবু থেমজিন্নবগী পাঙ্গল লৈখিদে। রাধামানবী, ঐসু মীনি, থম্মোয় পান্দবদি নত্তে। নুমীৎতু নঙগা ইচেগো মতম কয়াগী মতুংদা উবদুদা ঐ কয়াম হরাওখি। অদুবু ঐগী ৱাহৈ অমনা, মীৎয়েং অমনা চেচেগী থম্মোয় কাইখিনি খনখিবনা খোংবিনা লৈময়াদা নমদুনা খাংখিবনি। কপ্পা-কপ্পা মখা তাথৈ, তা মোধু! নঙ য়াম্না ফৎতে, অদুক থম্মোয় কনবা করিগীনো, ঐগী ইরাল করিনো? বিনোদকা নঙগা মুক্করগা ঐবু উশিনগী ঙামু ওইহল্লম্বদি নুপা ওইবগী লিচৎলা? খুন্নাইনা করেম্নবিগদবগীতা ঙাইরিবী নুপী ওইবিগী মপোক্তা পোল্লুরবসু ঐসু মীনি, অদুবু নখোয় নুপানা নুপীগীসু থম্মোয় পাল্লি হায়বসি করিগী কাউথোকপনো?

মধুসুদন, রাধামানবী, শুমাং তান্না থৌজিল্লহল্লগা, হাওরবসু হাওত্রবসু চাদি থকখিসি, ইবুংঙো ড্রাইভরসিসু ৱাজরে। রাধামনিনা ৱারৌরপ তৌনা, ঐ কোম্বোংসিদগী শুম হনখ্রগে, পুন্সিগী ওইনা ইয়ুম ওইজনি খঞ্জখিবা মঙলান্না মঙলাক্লখ্রবদা য়ূমসিদা হৌজিকপু মাঙ্গোল কারুবগী অর্থ লৈখিগদ্রা? মধুসুদন খুম্নিংবদি কোঙ্গাইনি, অদুবু মতাং চাদ্রমাল্লে খলখ্রমাল্লে গাড়িদগী তপ্পা কুমথৈ। গাড়িদু থৌগে তৌরকপদা লাওরকই, ইবুংঙো ড্রাইভর অমুক্তা ঙাইখো, ঐগী অতেকপা লাই-ৱাগী চৈশুদু অমুক্তা লৌথহৌখিগে। ঙশাইখৈ থোইনা য়েংশিল্লুদবা চৈশুদু উরকপদা রাধামানবীনা, অতেকপা চৈশুসি ঐঙোন্দা পীবিরো, ঐ পুজখ্রগে। *মথং-মথং ...*

*আর কে নরেন্দ্র*





# থবক মচা ওইজরবসু অতোপ্পা মীওইনা তৌবা ঙমদবা মওংদা থবক তৌরবদি ইশানা থবক পীজবত্তা নত্তনা অতোপ্পবুসু থবক পীবা ঙমগনি

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

*কৈশাম অথোই, ফাওগৎলক্লিবা মেকঅপ আর্টিষ্ট*



লমদম অসিগী ফাওগৎলক্লিবা চহী য়াম্না নৌরিবা মেকঅপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌরিবা কৈশাম অথোই ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচন্না লৈবা শম্বুংখোক্তগীনি। মহাক্কী অপোকপগী মীংনা কৈশাম অশোবন্ত অমদি কৈশাম ওংবী খন্বী কৌই। মহাক্কী মচিন মনাও মরিনি। মহাক হৌজিক-হৌজিক জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস ১২ তম্মী। মশানা পামজরিবা লম অসিদা ইমুং-মনুংগী মতেং য়াওদনা মহাক্লা চৎচরিবা মেকঅপ আর্টিষ্ট তৌবদগী ফংলকপা শেনফমনা মশাগী ওইনা লাইরিকসু তমজবগা লোয়নন্না য়ূমগী অৱা-অনাদসু অদুমক চাওনা মতেং পাংবা হায়বদু ওইরি। মেকঅপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা থোইনা ওজা নাইনা তম্লকপা হায়বদুদি ওইখিদে। অদুবু মহাকপু পুথোকপীরকপা ময়াম্বা থোকপশিংনা তাকপী-তম্বিরকপদগী কেবা-খোৎপগী থবক অসি মায়পাক্লা চৎথবতা নত্তনা ফিল্ম, ম্যুজিক ভিদিও এলবম, বিয়ুটি পিজেন্ট অমদি লুহোংবগী কেবনচিংবদসু মেকঅপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌদুনা লাকখি। অহানবদা মহাক্কী ওইনা মেকঅপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা খোঙদাবা হৌরকখিবা অসি মহাক্কী পুন্না থবক তৌমিন্নরখিবা দা বিক্রম, সনাথোই, রোজেনখোম্বা অমদি চে জেনেশ্বরিনচিংবদগী তমদুনা লোয়নন্না মখোয়দগী আইদিয়া লৌদুনা হোৎনরকখি।

হীংনবগী লানফমদা শুপ্পগী অহল-লমনশিংগী মতেং য়াওদনা মানা ঙম্নবা হোৎনজগে হায়বগী চপচাবা ৱাখল অমগা লোয়নন্না অৱা-অনা থীদনা ঙসি ফাওবা হোৎনদুনা লাক্লি। মহাক্কী ওইবা মশাগী গাড়ি ফাওবা লৈরমদবনা অহানবা মেকঅপকী লম অসিদা চঙলকপা মতমদা য়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। মহাক্লা মেকঅপ তৌখিবা মীওই কয়া তোঙান-তোঙানবা বিয়ুটি পিজেন্টগী টাইটল কয়া লৌবসু ঙমখ্রে। লোয়নন্না ফিল্ম কয়া অমসু এৱার্ড ফংবসু য়াওখ্রে। মতম অমদি মেকঅপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌবা হৌরকপদা য়ূমগী মীওইশিংনা লম অসিদা মখা তানা থবক তৌবা পামখিদে। অদুবু মানা অফবা লমচৎ-শাজৎ অমদি শিংথানিংঙাই ওইবা থবক লেপ্পা লৈতনা তৌরকপনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনসু লম অসিদা কায়নথংদদি অথিংবা অদু মখা তানা থমখিদে। মদুমক্না মহাক্লা ঙসি-ঙসিমক মেকঅপ তৌখিবা আর্টিষ্টশিংনা অথোইবু নীংশিংদুনা লৈবত্তা নত্তনা মহাক্কী পুকচেল শেংনা কৎথোকপা অমগা লোয়নন্না থবক তৌজবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসিসু মনিপুরদা, নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা বিয়ুটি পিজেন্টশিংদা মেকঅপ তৌবগী থবক লাকপদা মহাকপু মোদেলশিংনা নীংশিংবগা লোয়নন্না পুন্না থবক তৌমিন্নরি।

মহাক্কী থম্মোয়না খ্বাইদগী হেন্না পেঞ্জবদি য়ূমদা মীপান তাংদনা মহাক্লা ঙমজবা মওংদা পাম্না চৎচরিবা থবক অসিনা মশাবুসু থবক পীজবত্তা নত্তনা অতোপ্পসু থবক পীদুনা ইমুং-মনুংগী মতেং পাংবা অমদি মশাগী লাইরিক তম্বা ফাওবা অতোপ্পদা হায়দনা পাঙথোকপা ঙমজবা অসিনা মহাক্কী পেঞ্জবা, নুংঙাইজবা অমদি চাওথোকচবা হায়বদু ওইরি। ঙসি ঙসিমকসু অয়ুক-নুমীদাং, অহীং-নুংথিল খঙদনা থবক্তবু লাক্লবদি অকি-অখঙ লৈতনা অদুমক অৱাবা থীদনা থবক তৌরি। মহাক্কী য়াম্না ফজবা ৱাখল্লোল হায়রগদি থবক হায়বসি অচৌ-মচা লৈতে। থবক মচা ওইরবসু কৎথোকপা অমগা লোয়নন্না অতোপ্পা মীওইশিংনা তৌবা ঙমদবা মওংদা য়াম্না ফজনা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা থবক তৌরবদি অদুমক য়াম্না লায়না ইশানা-ইশাবু থবক পীজবা ঙম্বতা নত্তনা অতোপ্পবুসু থবক পীবা ঙমগনি। লোয়নন্না ইরমদম মণিপুরগীসু চাওনা মীংচৎ পুরকপা ঙমগনি হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা থাজবনি।

লমদম অসিদা ঙসিদি ইনখৎলক্লিবা চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবসি মহাক্কী ওইনসু য়াম্না পামজদবা থবক অমনি। মতম অমদা দ্রগ মপান্দগী পুশিল্লক্লগা শীজিন্নরম্বা অদু ঙসিদি ইরমদম মণিপুরদা ওইনা পোপি পাম্বী থাদুনা অমদি দ্রগ শুংদুনা য়াম্না লাইনা য়ূম-য়ূমগী থোঙ্গাল খুদিংদা দ্রগ ফংদবা মফম লৈশিল্লক্তরে হায়বা য়াই। ঙসিদি লোইজিং-লোয়া খুঙ্গংদা ফাওবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক দ্রগনা য়ৌদবা মফম লৈশিল্লক্তরে। মসিগী ময়েক লারবা খুদমক হায়ববু মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা রিহেব্লিটেসন সেন্টর কয়া চেংগুম শৌবগুম শৌগৎলক্লিবা অসিনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংনা শুপ্পতংগী শেল খক উবিদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক দ্রগ ললোনবগী থবক অসি লেপ্পিয়ু। মসিনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা চাওনা মাঙজবা পীবা হায়বদু ওইরে। দ্রগ লল্লোনবা কনা অমনদি খল্লম্বা য়াই মদুদি ঐগী ইচা দ্রগ চাদ্রগা লোইরে হায়না অদুবু দ্রগ লল্লোনবা কয়াগী মচা-মশুশিং দ্রগ শীজিন্নবদগী লৈখিদবা কয়া য়াওখ্রে। করিগুম্বা দ্রগ লল্লোনলিবা মীওই অদুগী মচা-মশুশিংনা দ্রগ শীজিন্নদ্রবসু মহাক্কী নাক-য়েৎতা অমদি অকোয়বদা দ্রগ শীজিন্নরকপগী চাং ৱাংলবদি নাকোয়নন্না মহাক্কী ইমুংদসু শোয়দনা চৈথেং ফংলক্কনি হায়বসি য়াম্না চুল্লবা অশেংবা ৱাফমনি। খুন্নাই অসিদা মী লৈশিল্লক্ত্রুবদি দ্রগ বিজিনেস তৌরিবা নুপা অদুনা শেল ফনা য়াম্না পায়রুরগসু মদুগী শেনফম অদুনা করি শীজিন্নবা ঙমগনি। নুঙাইবা হায়বসি মী অমত্তনা হেক্তা নুংঙাইরগা মীওই অদু অমদি খুন্নাই অদু নুংঙাইরে হায়বদি য়ারোই। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চঙশিল্লিবা ৱার ওন দ্রগ অসি ঐখোয় পূমক্নমক্না শৌগৎমিন্নসি হায়নসু লৈবাক মীয়ামদা নোল্লুক্লা পাউ চে অসিগী খুৎথাংদা আপিল তৌরক্লি।

লোয়নন্না লমদম অসিগী মমা-মপা ওইবশিংনা মচানা পাম্না চৎপা শিনফম অদুদা অদুমক চৎহনবিরবদি শোয়দনা মায়পাকপা ঙমগনি। মরম অদুনা মচাগী অনিংবা-অপাম্বা অমদি শেম্বিবা তাইবঙ মপুনা পীথোরক্লিবা টেলেন্টশিং অদু খঙদোকপীদুনা মপুং ফানা সপোর্ট তৌবিবগা লোয়নন্না অঙাং অদুনা পাম্না চৎপা পামজরিবা লম্বী অদুদা তুং কোইনা চৎনবা হোৎনবদা করি-করি মথৌ তারক্কদগে হায়বদু খঙদোকপীরগা মখোং শোম্বিয়ু অমদি গাইদ তৌবিয়ু হায়নসু নহা ওইরিবা ফাওগৎলক্লিবা মেকঅপ আর্টিষ্ট কৈশাম থোইনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা

# ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপতি মুরমুনা এস ঐচ বি নরায়ননদা ইলেক্সন কম্মিসন্স নেসনল এৱার্ড খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস): মমাঙ চহী ২০২২গী ফেব্রুৱারী অমদি মার্চ থাদা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা মণিপুর এসেম্বলী ইলেক্সনগী মাঙওইননা ট্রেদিসনল ফোক দান্স অমদি দ্রামাগী মতেং লৌদুনা মীয়ামদা ভোটর এৱেয়র্নেস পীবগী শীংথানিংঙাই ওইবা থবক পাঙথোকপগীদমক বেষ্ট গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্ট কেটগোরিদা ইম্ফাল রিজনল ওফিস ওফ সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসনদা ইলেক্সন কম্মিসন্স নেসনল এৱার্ড খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপতি মুরমুনা থা অসিগী জন্যুৱারী ২৫ নেসনল ভোটর্স দেগী থৌরমদা ন্যু দেল্লীদা লৈবা মনেক্সো সেন্টরদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন নোর্থ ইষ্ট জোনগী দি জি, এস ঐচ বি নরায়ননদা ইলেক্সন কম্মিসন্স নেসনল এৱার্ড অসি বেষ্ট ইলেক্টোরেল প্রক্টিসেসকীদমক খুৎশিন্নরকখিবনি হায়রি।

মমাঙ চহীগী ফেব্রুৱারী অমদি মার্চতা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা মীয়ামদা ট্রেদিসনল ফোক দান্স অমদি দ্রামানচিংবা পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কেম্পেয়ন তৌদুনা রাইজিং ভোটর এৱেয়র্নেস পীখিবগীদমক অসিগুম্লবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা অৱাবা থাক্কী এৱার্ড অসি খুৎশিন্নরকখিবনি।

রাইজিং ভোটর এৱেয়র্নেস কেম্পেয়ন অসি সেন্ট্রেল ব্যুরোক ওফ কম্যুনিকেসন নোর্থ ইষ্ট জোনগী দি জি, এস ঐচ বি নরায়ননা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবনি। কেম্পেয়ন অসিদা রিজনল ওফিসকী ওফিসরশিং, ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি। লোয়নন্না ফিল্ড ওফিসর মঙা অমদি আর্টিষ্ট কয়াসু শরুক য়াখি। হায়রিবা থৌরম অসি এস ভি ভি ঈ ঈ পি কেম্পেয়নগী মনুং চন্না ট্রেদিসনল ফোক দান্স অমসুং দ্রামানচিংবা পাঙথোকখিবনি।

কেম্পেয়ন অদুদা চাউরাক্লা মণিপুর শিনবা থুংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা প্রোগ্রাম ১৫০ রোম পাঙথোকখি। হায়রিবা প্রোগ্রামশিং অসি চয়োল মঙা চুপ্পা মণিপুরগী রিমোট এরিয়াশিংদা পাঙথোকখিবনি। প্রোগ্রাম অসি চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর অমদি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর মণিপুরগা পুন্না খুৎশম্নদুনা লোইশিনখি। প্রোগ্রাম অসি ইথিকেল ভোটিং এন্দ নো ভোটর লেফ্ট বিহাইন্দ হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবনি। প্রোগ্রাম অদুগী মনুং চন্না এসেম্বলী ইলেক্সনগী মাঙওইননা তোঙান তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চৎতুনা উৎখি হায়রি। ইম্ফাল রিজনল ওফিস ওফ সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন্দা ইলেক্সন কম্মিসন্স নেসনল এৱার্ড খুৎশিন্নরকপগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপতি মুরমুনা বেষ্ট ষ্টেট, জেনরেল এৱার্দস, স্পেসল কেটেগোরি অমদি নেসনল মীদিয়া এৱার্দনচিংবা য়াওনা পুন্না এৱার্ড ১৩ লাম্বোকখি হায়রি।

# ইবুধৌ থাংজিং রেসিদেন্সিএল কোচিং সেন্টর মোইরাংদা তেংবাঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস): ইবুধৌ থাংজিং রেসিদেন্সিএল কোচিং সেন্টর মোইরাংগী শান্নরোইশিংগীদমক ফুটবোল্লর কে উদান্ত অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী মনাওনুপা কে মেচনরগী মিংদা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া কোচিং সেন্টর অসিগী ফাউন্দর অমসুং হেদ কোচ কে এস ঐচ রাজাদা খুৎশিন্নখ্রে।

নোংমগী তঙাইফদ্রবা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবগী থৌরম অদুদা দি এফ এ মোইরাংগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা রিটায়র্ড দিষ্ট্রিক্ট হোর্টিকলচর ওফিসর কে বিরেন্দ্র, দি এফ এ মোইরাংগী ভাইস প্রসিদেন্ট রিটায়র্ড জেদ ঈ ও বিষ্ণুপুর ঐচ বিরবল, দি এফ এ মোইরাংগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম নবচন্দ্র, সেক্রেটরি পি ঐচ মেঘা, কে উদান্তগী অপোকপা কে ভুমিন অমদি অপোকপী উমাবতিসু শরুক য়াখি।

ইবুধৌ থাংজিং রেসিদেন্সিএল কোচিং সেন্টর মোইরাংগী ফাউন্দর অমদি হেদ কোচ কে এস ঐচ রাজানা থৌরম অদুগা মরী লৈনন্না হায়খি, উদান্ত অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংনা কোচিং সেন্টর অসিগীদমক মতেং পাংবীরকপগীদমক হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। কোচিং সেন্টর অসি হৌখিবা চহী ২০১৭তগী শান্নরোইশিংবু য়োকখৎনবা শেমখিবা কোচিং সেন্টর অমনি। হায়রিবা কোচিং সেন্টর অসিদগী ইন্টরনেসনল অমদি নেসনলগী থাক্তা ফুটবোল শান্নরোই কয়া পুথোকখ্রবা কোচিং সেন্টর অমনি। ঙসি কোচিং সেন্টর অসিদা তেংবাঙবীরকপগীদমক উদান্তগী ইমুং-মনুং ইবুধৌ থাংজিংনা চানবীবা ওইসনু হায়খি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৮। ০১। ২০২৩ ইং, থাংজ, অয়ুক পুং ৮. ৪৩ ফাওবা ফাইরেলগী ৭ নি পাল্লি, মতুং ৮ নি পাল্লনি।

মেষ: নীংবা থুংগনি, মীচঙ হেনগৎকনি, ইচঙ থৌবনা পাঙনিংবা থবক পাঙবদা খুৎলোইগনি, নচা-ননাই চাওখৎকনি। ফিংলদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: মফম চানা নরল থাদবা তুংদা কান্নবা লাক্কনি, অরং-অরাক ফংবগুম মায় পাকচগনি। নথক থোংবনা তেংবাঙবীনি। খোয়রাংবদি ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: ওইজবা তানবদা থাজদনা কান্নগনি। ৱাখল থোক্কনি-খজিক্তং খন্থরগা পাঙবা থবক্তি মায় পাক্কনি। অনৌবা লৌশিং তানশিনবদি ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: মাথিবা লৈরোই-পাঙগে খনবা অফবা থবক্তা খুৎচাও থাদবা য়াগনি। থৌনা ফুদোকপসু মতাং চাগনি, পোরম শীন্দোকপা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: শীনবা লাঙবা হৈবা ৱাৎপা, য়েৎনবনা ইমুং মনুংদা ফাওবা নে-তাদবা লৈগনি। মরুপ মপাংগী মতেং ফংবা, লাই-গুরুনা চানবীবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: অফা-অপুন কোকচবা, মীনা থাগৎপিবা অমদি অফবা মরুপকী মতেং পাম্লদি ফংগদবা নুমিৎনি। অদুবু হোয়া ফবদি মীপায়নিংঙাইনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

তুলা: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না ফবা নুমিৎনি। থবক ইন্‌খাংগী লমদা খুৎচাও থাহৌরো। ইমুংদা মীতোপ্পা য়েংথিবদি লৈরি-পঙথগনু, মীৱা থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: নীংজবা থুংগনি, মীয়াম্না চানবীগনি, চাদিং হন্থবা ঙমগনি, শেন্দোং তানবগী লমদা থোইনা কান্নগনি। কনানসু লাকচবা ঙল্লোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: নচাক নরল চাওখৎকনি, নক্লবশিংগী মতেং লৌবা য়াগনি, য়েৎপা খরদি ফরনি। য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংই, পোরম শীনবা হৈবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

মকর: পুক্লিং ফাথনা লৈগদবা নুমিৎনি। য়েৎনবা, মীতোপ থাজবা, অখঙ অহৈ শাবা মাঙগনি। নথক থোংবগী ৱা তাদনা অনৌবা থৌরম পাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: নীংবা থুংগনি, অনৌবা আশা লাক্কনি, মীয়াম্না লোয়নবা পাম্বা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাজবা নুমিৎনি। অনম তানবা/নাপলনা তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: মীনা লাকচবা ঙল্লোই, খুদক্কী ৱারেপ লৌবা য়াগনি অমদি মদুনা হেন্না কান্নবা ফংজগনি। হন্থবা লোয়নবনা নরল ময়েং তাবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাঙগনু-মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## সেরিকলচর কৃষি মেলা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস): রিজনল সেরিকলচরেল রিছার্স ষ্টেসন, সেন্ট্রেল সিল্ক বোর্দ, মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া মন্ত্রিপুখ্রি ইম্ফালনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা সেরিকলচর কৃষি মেলা চৎলিবা থা অসিগী লাক্লিবা জন্যুৱারী ৩১দা পাঙথোক্লগনি হায়না রিজনল সেরিকলচরেল রিছার্স সেন্টর ইম্ফালগী সাইন্টিষ্ট দি এন্দ হেদ ডা. ৱাই দেবরাজনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জন্যুৱারী ৩১দা পাঙথোক্কদৌরিবা নোংমগী ওইবা সেরিকলচর কৃষি মেলা অসিদা অখন্নবা ষ্টোলশিং হাংদুনা মীয়ামদা খঙহন-উহন্নবা হোৎনবগা লোয়নন্না সিল্ককী প্রদক্টশিংসু য়োনগনি। হায়রিবা নোংমগী ওইবা সেরিকলচর কৃষি মেলা অসিদা অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা লাকপীদুনা শরুক য়াবীবা য়াগনি হায়রি।

# অফবা থবক্তা শৌগৎপগী হৈনবী থমসি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী ৱার ওন দ্রগসকী অচঙবা থৌমী ওইরসি হায়না ৱাহজ ফুন্দ্রেনা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস): অফবা থবক্তা শৌগৎপগী হৈনবী থমসি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী ৱার ওন দ্রগসকী অচঙবা থৌমী ওইরসি হায়না ৱাহজ ফুন্দ্রেনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা কংলৈ পনাস অমদি এক্স-মেম্বর্স অমাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ৱার ওন দ্রগসকী শৌগৎ মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। শৌগৎ মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, ইরমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা লাকহৎখিদুনা খুন্নাই অসি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরক্লবা মতমসিদা লৈঙাক অসিনা ইচঙ থৌনা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়নন্না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি ঐখোয় পুম্নমক্লা শৌগৎফম থোকই। ঐখোয়েনা খঙলে মদুদি কুমজা




২০১৭কী মমাঙদা খুদম ওইনা অমাদানা শাফোঙদ্রিঙৈ মমাঙ অমদি শাফোঙলক্লবা মতুং ২০০৫দগী ২০১৪ ফাওবদা থেংনখিবসি তোঙান তোঙানবা ইস্যু ময়াম অমা থেংনৈ। মদুগী মনুংদা দ্রগকী ইস্যু অমনি। অদুবু মতম অদুদা ঐখোয়না লাউখিবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কনসি হায়বা খোল্লাউদু ঙসিদি লৈঙাক অসিনা পোলিসী অমা ওইনা পুথোক্তুনা ৱার ওন দ্রগসকী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপসিদা ঐখোয়সু শৌগৎফম থোকই। ময়াই কাবা চীঞ্জাক মুথৎনবা হোৎনরিবা কংলৈ পনাস অমদি মতম অমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অমাদাগী ফাউন্দর মেম্বরশিং পুনশিন্দুনা ঙসিগী শৌগৎ মীফম অসি পাঙথোকপনি।

পোপ্পী পাম্বী অসি চহী খরা অসিগী মনুংদা ইনৌ নৌনা পাক্তক্না থাগৎলকপা অমদি হূ পাম্বী অসিবু অচৌবা শেন্দাল লম্বী ওইনা চথুরকপদৌনা পোলিটিকেল পার্টিগী মায়কৈদগী থম্নরকপা য়াওরিবা অসি অরানবা অমদি মীয়াম্বু মীনম্বনি। থৌওং অসিদি ইশাগী শোয়খিবশিং কুপশিল্লগা তুংগী মীরোলগী খল্লগা অচেৎপা ফিরেপ পান্দম অমগা লোয়নন্না চঙশিল্লিবা সী এম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী ৱার ওন দ্রগস অসিবু কল্লকপদগী মীয়ামদা চমম্নন্না উহনবনি হায়না লৌই। মরমদি অমাদানা ২০০৫দগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপদা ২০০৯গী অঙনবা শরুক্তগী হূ পাম্বী পোপ্পী চীংমায়শিংদা থারে হায়বসি খঙবা ঙমখি। ঙসি-ঙসিমক ৱাথোক ওইরিবা পোপ্পী অসি ২০০৯গী লোইরমদাই শরুক্তগী ২০১৪ ফাওবদা ঐখোয়না তোঙান তোঙানবা মফমশিং নোংমাইজিং চীং, থৱায় মপিথেল অমদি সিংহাট চুড়াচান্দপুরনচিংবা মফমশিংদা চাউরাক্লা একর ৭৫০ রোমদা থারম্বা পোপ্পী পাম্বীশিং সেন্ট্রেল ফোর্স য়াওনা অমাদাগী থৌমীশিংনা য়াম্থৎতুনা মাঙহনখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী শৌগৎ মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা কংলৈ পনাসকী অমদি অমাদাগী লুচিংবশিং, মেম্বরশিংসু শরুক য়াদুনা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।